# খুন্নাই অমদি মীয়াম্বু মনুং হুৎনা য়েংলগা অনৌবা লীলা পরিংদা খুৎ থারিবা অইবা বি কে ৱাহেংবা

*- নানি*



অশাংবা মিংদি বিরকুমার ৱাহেংবম হায়বনি, মীয়াম্নসু মশানসু শমজিঞ্জরগা বি কে ৱাহেংবা হায়না হেন্না খঙনৈ। মসিনসু হেন্না চান্নবদৌনা তৌরি। লমদম অসিগী মশক নাইরবা প্লেরাইট অমদি ট্রান্সলেটর অমনি। মণিপুরী ঠিএটরগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরকপদা মহাক্কী অচৌবা থৌদাং য়াওরি। ৱাঙ্গোইদা পোকপনি। ৱাঙ্গোইদা চাওবনি। ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী অচঙবা মীশক অমা ওইনা লৈদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌরক্লি। মহাক্কী ঠিএটরগী মঙাল খূদিং ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অমদি মসিগী অকোয়বদগী ঙাম্হোরকখিবনি। মমিং লৈরবা প্লে কয়া অমসু ৱাঙ্গোই দ্রামাটিক য়ুনিয়ন অসিনা শান্নরকখবনি। অসুম্না হৌরকপদুনা পাক চাউরবা মণিপুরগী ঠিএটরগী মশক শাগৎলকপা অমদি ফিরেপ লেপ্লবা হোৎনবদা প্লেরাইট অসিগী অহকপা মীৎয়েং অমা চাউনা লৈরি। কৈদৌনুংদা প্লেরাইট অসিবু খুৎ থেক্তুনা পাদবা মতমদা মণিপুরী ঠিএটরগী চাউরবা অহোবা অমা লৈগনি। শীংথাদবা য়াদবা কাওথোকহৈদবা মীশক অমনি। বি কে ৱাহেংবগী মাষ্টর পিছ ওইনা লৈরবা প্লে কয়া ঙসিসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। মহাক্কী প্লে অয়াম্বা মীওইবগী মীনুংশিদা য়ুম্ফম ওইরগা মাঙশিল্লক্লিবা হ্যুমেনিটিগী ইস্যুদা বেজ তৌবা, মশক থোক্লা কিন্থরক্লবা সোসলগী ওইবা মশক, মীওইবনা লমচৎ শাজৎ শেবাৎনরকপা কয়ানা খুন্নাইরোলগী পুন্সিদা হোংহল্লক্লিবা ফীভম কয়াশিংদা হকচিনবা মীৎয়েং য়েংদুনা নৈনবনি। প্লেরাইট খূদিংমক্কী ওইবা মশা মশাগী হৈনজবী অমদি মীৎয়েং লোয়নমক তোঙাল্লি। বি কে ৱাহেংবগীসু অদু মঙাই, ময়াম্না ইনরিবা লীলাগী মওং অদুদগী খরা খজিক থৈদোক্লগা অনৌবা মীৎয়েং অমদা ইস্যু খূদিংমক য়েংনবা হোৎনবগী হৈ-শিংবা ঐখোয়না উবা ফংই। লমদমসিগী অতাঙবা দ্রামাটিষ্ট অমনি হায়না খুৎ থেকপা য়াই। ষ্টেজদা শান্নবা লীলা, রেদিওগী লীলা, ওরিজিনেল স্ক্রিপ্ট ওইনা অমদি ত্রান্সলেসন ৱার্ক ওইনা পুন্না লীলা ২০গী মথক্তা ইদুনা পুথোকখ্রে। মমিং খরদং পনবা য়াবদা- **ফাতিমা, ফাগীগী মায়খুম, ফাংখোং কোইবা, নুমীৎ কাপ্পা, দেবজানি, অরিবা নৌনা খুন্থোকপা, মীকপ থোক্লুবা, নুংশিরৈ, লৈবাকলৈ, নৈহৎপীরবী থম্বালনু, য়ুমদা লাকপা, কাইনা পাউজেল, জৈবা উন্নিশা, শ্রিগোবিন্দ নিরুপোন, চরাংনহৌই ৱাখলশিংদু, শারং মনুংদা, সনাগী শজি, নীংতম লানদা পাউনা, শিরিবসি কনানো?** হায়রিবা প্লেশিং অসি মমিং পনবা য়াই। ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী সেরিয়ল প্লে ওইনা **থৌদোক ৱাথোক** অমদি **করিগী মীপাল তাঙজরুনি** হায়বা অনী অমসু লৈখ্রে। অতোপ্পা লোনদগী হন্দোকপা প্লেশিং- **কেকেস্যুসকী চোক্কি লৈ- মকোই, সেটজুয়নগী অফবী নুপী অমা, ঘাশিরাম কোটৱাল, দ্রোনচার্য্য অমমুক, হল্লকপা,** অমদি **অমৃতক্ষার** হায়রিবশিং অসিদা নত্তনা অতোপ্পা প্লে অমা অনী অমসু লৈরি। মসিদা নত্তনা ত্রান্সলেসন তৌরবা- **ঠিএটর অমসুং নুংগী ৱাখল, বংলা অমসুং নোংচুপকী কুম্মৈ, রাধা কৃষ্ণ লাইরোল, শ্রি চৈতন্যগী ৱাঙুরোল অমসুং লাইনিংলোল, কন্সটেন্টিন ষ্টানিস্লাভাস্কি** হায়রিবশিং অসিসু অইবগী মচু তারবা খুলাম্থোক ঙাক্তনি। অইবা অসিগী লীলাশিং অমদি নৈন-ৱারেংশিং অসিগী মনুংদা লাইরিক ওইনা ফোঙলবা কয়া অমসু লৈরি।

হীরম কয়াদা মায়পুননা থবক তৌরিবা অমদি মা-মানা তৌজরিবা হীরম অদোমদা মায় পাক্লবা/মহৈ য়াল্লবা মীপুম খূদিংমক্কী হৌরক্লোন য়েংলুবা মতমদা পীশক পীক্লিঙৈদগী হৌনা মহাক্কী হীরম অদুগী মচু খরা শংনবগী খুদোংচাবা অমদি মপূক্লিংদা য়েন্নৌ চোংনবগী তাঞ্জা মেঞ্জা লোইনা ফংনখিবগী ৱারমশিং ঐখোয়না তাদুনা লাকই। অদুগুম্লবা শক্লাইরবা প্লেরাইট বি কে ৱাহেংবগীসু ৱারী কয়া অমসু মহাক্কী লৈকায়গী ইনভাইরনমেন্টনা অমদি স্কুলগী পুন্সিরোলদগী হৌনা মচু শংজিনবা হৌরকখি। শংলকখিবা মচু অদু ঙসিসু কোকপা ঙমদ্রি। মদুনা ইথিল পীরগা প্লে কয়া অমা ইখ্রে, কুমখ্রে, পুথোকখ্রে। ইথোরকপদা মীয়াম্না উনরিবা মীৎয়েং অদুদগী হোংলক্লগা পোৎশক অমবু করম্না য়েংবগে হায়বদু মহাক্কী প্লে খূদিংমক্তা মমি তারি। প্লেরাইট অসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা হায়বা তারবদি মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েং অসিনি হায়বা তাই। সোসল অমদি হ্যুমেন ইস্যু অমা য়েংবদা ময়াম্না উনরিবা য়েংনরিবা মায়কৈ অদুগী ৱাংমদা অমদি মনুংদা করি লৈরিবগে হায়না য়াম্না কুপ্না য়েংবনি। মসিদনি মহাক্কী মশক অমা ফন লাউনা চোংথোরক্লিবা। লমদমসিদা প্লে ইবা মীওই মশীং নাইদনা লৈ। মখোয় খূদিংমক মশা-মশাগী হৈনবী, খুফোংদোক তোঙান্না অদুম লৈজবনি। অদুগুম্লদনা অইবা অসিগীসু খুফোংদোক অমা লৈজে। য়াম্না সিম্বোলিক ওইনা, ৱাহৈগী ইকনমি চপ চানা শীজিন্নদুনা, মচঙ ওইবা খরদং মনখৎলগা হায়নিংলিবা কয়া অদু ময়েক লানা লানা উৎথোরকই। মতাং অসিদনি প্লেরাইট অসিনা স্ক্রিপ্ট রাইটিং মেজিক অমা শীজিন্নরিবসি। মীওইবগী পুন্সি, লীচৎ-শাজৎ, ৱাখল, মহিং, মতৌ, খুন্নাইগী ওইবা সিষ্টেম কয়া অসি কন্টেম্পোরেরি ওইবা নাপচৈ অমা থাদুনা মনুং থিৎনা য়েংনবা হোৎনবা অইবনি। ইচম চম্না মহাক্কী প্লে অয়াম্বা ৱারী অমা লেংদনা থমজরবসু, ৱারী অদু লীনবা হোৎনবদা হাঞ্জিল্লক্লিবা মচাকশিংদি য়াম্না কুপ্পী। মনুং হুৎনা য়েংই, মথি ফোংদবা কল্ল-কল্লবা ৱাখলগী থৌরবা ৱাহৈ লীক্লা শীজিন্নদুনা উৎনিংলিবা হায়নিংলিবা কয়া অদু ক্রিটিকেল্লি য়েংলগা প্লেগী সিম্বোলিজম অমদি রিলিজন অনীগী কেনভাসতা হকচিন্না উৎনবা হোৎনৈ। পুন্সিগী অরুবা ফিলোসোফিকেল ওইবা ৱাহং কয়া অমা প্লেরাইট অসিনা হংই। মদুগী পাউখুম পীনবা হোৎনবদা য়েংলিবশিংবু অচুম্বা মশক খঙনবা হোৎনবদা তকোম তকোমনা থমদে, ৱাখল খলহল্লি।

বি কে ৱাহেংবা মশাগী ওইনা ৱা কয়া কন্না ঙাংজদে। য়াম্না লীক্লা লীক্লা ঙাংবসি হৈনবী অমা ওইনা তৌই। অদুবু মহাক্লা হায়নিংবা ৱাদি য়াম্না লৈ। খুন্নাই অসিগী হোংলক্লিবা ফীভম, মীওইবগী মীরমচৎতা লাক্লিবা চেঞ্জ কয়া মদুগী মনুংদা মাঙশিল্লক্লিবা হ্যুমেনিটি, মশাগী ওইজবা থিনবা হোৎনবদা হ্যুমেন ইনভাইরনমেন্ট কয়া মাঙ তাক্লবা মশা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা তৌরক্লিবা কয়া অদু কুপ্না য়েংলগা হৌখিবা ওইরক্লিবা অমদি লাক্কদবা মতমগী খোঙচৎকা লোয়নননা চাংয়েং তৌই। মহাক্কী লীলা অয়াম্বদি চাংয়েংনি। চাংয়েংনি হায়দুনসু লেবোরেটোরিদা হেক্তা থাংজিন্দুনা মচল-মচলশিং হাপ্লগা মচু শংবা অমদি মদুগী রিএক্সনশিং অদু য়েংবা নত্তে। নুংশিবা ৱারী অমা ইচেনদা চেন্নহল্লগা মদুগী ইমোসন অদুসু মাঙহন্দনা থল্লগা মতমগী মীহুলগা চুশিন্ননা থোরকপা আইদিয়া কয়া অদুবু চাংয়েং তৌবনি হায়না হায়বা য়াই। ওইরমদবসু য়াই। প্লেরাইট অসিগী মরৌ লৈবা ৱাখল অমসু লৈরম্বা য়াই। অদুবু মহাক্কী প্লেগী ৱারোইশিনদি- চঙ থোকপা ৱাহং হংবনি- ঐখোয় অসুম্না হিংখিগদরা? তাঙলবা মীওই মপোক অসিগী ৱাহম্থোক অদু অসুম্না হংগদরা? মসিনা লাক্কদবা খুন্নাই অসিদা করি করম্বা য়াইফবা অমা পুরকপা ঙমগদগে? প্লেরাইট অসিনা হৌখিবা, ওইরিবা অমদি লাক্কদববু থাগোন্নে। মুন্না য়েংই, মাগী ৱাখলদা ৱাহং মথং মথং থোরকই। ৱাহংশিং অদুগা থৌদোকশিং অদুগা তীনশিন্নহল্লি। ইথোরকপা ৱাহৈশিং য়াম্না পোইটিক ওই। পোইটিক ভিজননা পীক থল্লি। অদুনা মাগী লীলা অরাইবা ওইদে। মদু হান্না খঙনবা হোৎনবা মথৌ তাই। করিগুম্বদা প্লেরাইটনা পীরিবা গিভন সার্কমষ্টেন্স অদু মুন্না খঙদ্রবদি ইরিবা লাইনশিং অদু মথ্বায় পান্না থোরকপা ঙম্বগী চাং ৱাৎকনি। মবুক লুবা প্লেরাইট অসি হান্না মশক খঙদোক্লগা মাগী লীলা শান্নরবদি য়াইফগনি, মায় পাক্কনি।

*নৌনা হৌরক্কদবা অইবশিংদা পাউজেল পীরদুনা অসুম্না ৱারী মখা চথ্বরকই- অইবদি নীং তমগদবনি, নীং তম্না ইগদবনি। কনাগুম্বা অমগী অপাম্বদা ইরবদি নীং তম্বদু মাঙখিগনি, মহাক্কী পনখৈ থিবা ৱাগনি। অদুনা অইবা মীশক অদুগী লিটরেরি সেন্স অদুবু য়াওদ্রবদি ইরিবা অদুগী মহাও লৈরোই। নৌনা ইবীনিংবশিংনা কন্সটের্ন্টিন ষ্টানিলাভাস্কিগী ইন্ট্যুইসন হায়বা অদু থম্মোয়দা অমদি ৱাখলদা ফাওনবা হোৎনবীরগদি শোয়দনা মায় পাকপা অইবা অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা লৈ।*

তেনখ্রবা কলম অসিদা অইবা অসিবু মপুং ফানা মরেপ তম্না নৈনদুনা ইবা ওইথোক্তে। তাঙলবা অইবনি। হেন্না ফবা লীলা ইথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থমজগে। অইবসিগী কোলোম মুক লোইদবা ওইসনু। য়েন্নিং লাকপা ওইসনু। য়েন্নৌ হানৌনা লেং লেং চৎলকপা ওইরসনু।

## এম পি ২১গী টিমদা সী পি আইগী মাস ফ্রন্টশিংনা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৯ (ঐচএনএস) :

সী পি আইগী রাজ্য সভাগী এম পি, পি সন্দোসকুমার য়াওনা এম পি ২১গী আই এন দি আই এগী টিম অমা মণিপুরদা লাক্তুনা চীং অমসুং তমগী রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা থোক্লিবা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনবদা শরুক য়াগনি হায়না লাকখিবা এম পিশিংদা সী পি আইগী মাস ফ্রন্ট মণিপুর লৌমী, ওল মণিপুর নুপী মরুপ, এ আই টি য়ু সী মণিপুর, এ আই এস এফ মণিপুর য়ুনিটকী তোঙান তোঙানবা মেমোরেন্দমশিং পীশিনখ্রে হায়না এম এস সী/সী পি আইগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল এয়রপোর্ট হেক য়ৌরকপগা সী পি আই অমসুং মাস ফ্রন্টশিং অসিনা ফ্লেগ ফেষ্টুন পায়দুনা ওকখি। এম পি খূদিংমক হেলিকোপ্টরদা অনীরক থোক্লা চুড়াচান্দপুরদা চৎখি। মখোয়গী খোঙচৎতা ওল ইন্দিয়া টাঞ্জিমগী লিদরশিং কমরেদ বদর অমসুং কমরেদ ইস্লাউদ্দিননা চুড়াচান্দপুরদা ঙায়দুনা লৈরবা মতুংদা গাইদ তৌখি। লোয়ননা টাঞ্জিমগী মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

নুপী মরুপকী মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরগী ৱাথোক অসিদা নুপীশিংনা হেন্না অৱাবা থেংনরি। মরম অদুনা পার্লিয়ামেন্টতা কন্না হোৎনবীদুনা ময়ামগী পুন্সি কনবীয়ু হায়খি। এ আই এস এফকী মেমোরেন্দমদা খুদক্তা মোবাইল ইন্টর্নেট হাংদোক্লুবা ৱাফম য়াওরি। লোয়ননা কুকিশিংনা তম্পাক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকপা লেপ্তুবনা লৌমীশিংনা লৌ উবা য়াদ্রিবশিংসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা খন্নবীনবা হায়জখি। এ আই টি য়ু সীনা কাংপোকপীদা কুকিশিংনা ব্লোকেদ তৌবা থা অহুম ফারে মসি খুদক্তা হাংদোক্লুবা হায়রি।

লোয়ননা মেমোরেন্দম পীশিনখিবা অদুদা সী পি আইগী থৌমীশিংনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা এম পিশিং অদুগা খন্ন-নৈনখি হায়রি।







## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০৭।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
অয়ুক পুং ১০.৩৫ ফাওবা থৱানগী ১২ নি পাল্লি, মতুং ১৩নি পাল্লনি।

মেষ: অচম্বা চাবনা হকচাং নুংঙাইগদবা নুমীৎনি। অশাউবা থাদোকউ অমদি ঙক কনবা মতাং চারোই। মাঙজিল থানা থৌ পাঙগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নীংবা থুংলোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাঙবা

বৃষ: ফিংবনা মরুপ-মপাং কায়নগনি- তপথৌ। থবক থৌওং হৈবগী মায় পাকচবা, থিজিনবা কনবনা অরুবা থৌরম পাঙবা লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মতাং ইচা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

মিথুন: নচাক নরল চাউখৎপা, নীংবা মপা চাবা, ঙসিসু লৌশিং ফুদোকপা ঙমজবা অফবনা হেনবা নুমীৎনি। মরৈদি কনগনু-মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- নুংশিবা ফংজৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

কর্কট: নচাক নরল অমদি পন্দুনা লৈবা থবক্কী কোক শাবা খরদি লৈ। মীগী মতেং ফংবা, নীংবা মপা চাবদি ঙসিসু লৈগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

সিংহ: খোয়রাংবা, চীন কনবা, হোয়া ফবনচিংবা অমত্তা কান্নরোই। মীগা লোয়নবা থবক থৌরমদদি মায় পাক্কনি। পোত্থাবসু ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক ফরোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্য: য়েক্লবা লাকশিনগনি, নচা ননাই চাউখৎকনি, পাংঙমদবা থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা লৈগনি। অহৈ-অশিং শাবদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মতাং ইচা চারোই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/কিসমিস

তুলা: নীংবা থুংগনি, থবক পাঙবগী নুংঙাইজবা লৈ, অথোইবা লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি। লমচৎ কাম্বা মীশিং লোয়নরদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- ৱাখল নুংঙাইগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অনম তানবা অমদি চরাংনবনা মাঙজগনি। মীয়াম/ইমুং-মনুংগী ৱা তারগনা পাংঙমদবা থবক পাঙগনি, পূক্নিং মকা লামগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মরী ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

ধনু: অঙম্বগা মরী ফবা ৱাৎলি, নাইতোম ৱারেপ লৌগনু, অরং-অরাক চেকশিনজৌ। অয়েৎপা লৈরম্বদি ফরে, থৌনা ফুদোকপা য়ারে।
**লৈশা পাখংশিংগী**- পূক্নিং নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস

মকর: য়েংশিনবা, লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, হোয়া ফরগা চাদিং হেনবা নুমীৎনি। থেংলপ্না থবক খরা পাঙগনি। মীগী মতেং ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাংতক্লদনা লৈয়ু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/কিসমিস

কুম্ভ: লাইবক থোইনা ফগনি, অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা য়ারগনি, হৌজিনখ্রবা থবক্তা মায়পুনবা কান্নগনি। পাউসু নুংঙাই।
**লৈশা পাখংশিংগী**- লাইবক খজিক্তুংদি ফরে।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাঙবা

মীন: য়েক্লবা ঙমজদুনা থবক পাঙবগী নুংঙাইবা ফংই। নথক থোংবগী মতেংনা মীনা কিনগনি। নরল চাউখৎকনি। নাপলদি লোইনগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী**- মীৱা থাজগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title : **Scenery**
By : Konsam Wangamba
Class : II Sec : C Roll No : 156
School : Regular English High School




Title : **Shinchenan Near the Woods**
By : Chanuleima P.
Class : III Sec : D Roll No. : 8
School : Little Flower School



Title : **An Anime Girl**
By : L. Daina
Class : VIII Sec : Jasmine Roll No. : 12
School : SL Arena of Learning




Title : **Red Barn**
By : Chabungbam Jeshurund
Class : III Sec : H Roll No. : 6
School : Tiny Tots' Unique School




Title : **House**
By : Khwaihen Potshangbam
Class : Nursery
School : Euro Kid's Little Star



Title : **Giyuu Tomioka**
By : R.K. Naojingsana
Class : VII
School : St. Joseph School



Title : **The Shoemaker**
By : Laishram Sheeluash
Class : IV Sec : Julip Roll No. : 37
School : SL Arena of Learning



Title : **Ship**
By : Yohenba
Class : I
School : Maheilen Education Centre



Title : **Rose**
By : Bharatnganba
Class : V Roll No. : 8
School : Kangleipak Modern School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই, অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা হুইয়েন লানপাউগী ওফিসতা থিনবীরকপা য়াগনি।